# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




তেরা কৈথেলদা লৈবা স্মার্ট সিক্যুরিটি সর্ভিসকী কম্যান্দর ওইরিবা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা লমদেং খুনৌদগী ক্ষেত্রিময়ুম লাইবনা তোঙান তোঙানবা মনাশিং ফংলকপদা তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখিবা


মীয়ামগী য়াইফনবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা য়ুম্ফম... লামায় ২

লামায় ৪ নীংশিংলকপদা শিরুই ফেষ্টিবেল!

লাংমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংখৈ লাকপা মপারী... লামায় ৫

লামায় ৬ অঙাংশিংগী হকশিং মাঙহন্নবা হোৎনবা য়ারোই...

ওপরেশন সিন্দুরদা ইন্দিয়াগী এয়রক্রাফ্ট কয়া কায়খিবগে... লামায় ৯

লামায় ১২ ঈয়ুম্না কৌরে : সেরৌ এফ সীনা কে এ এফ সী...


সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনদা রামকৃষ্ণ মিশন স্কুল ইম্ফালগী টোপ্পর ওইরকখ্রবা মহৈরোয় অহুম অমসুং ব্লুম স্কুল ওলিম্পিয়দতা অহুমশুবা তারকখ্রবা মহৈরোয় অমবু স্কুলগী কম্মিটিনা তরাম্না ওকপা




Vol. 49, Issue No. 050 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 20, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোম মিনিষ্ট্রিনা পোখা-পোখা হোৎনরব্রা

## হোম মিনিষ্ট্রিনা তম্পাক্কী সী এস ওশিংগী মীফম মে ২৩দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্লগনি খঙহল্লক্লে



**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী মখোয়গী 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন দুনা চথরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবা পুরক্ত্রিবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মাঙজিল থাদুনা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা ফীভম ওইহল্লক্রবা থেঙ্খাং কয়াদা হোৎনরকখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৩, ইরাই নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা তম্পাক্কী সী এস ওশিংগী লুচিংবা/মীহুৎশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহল্লক্লে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মখাদা লৈরিবা স্পেশল ইনভেষ্টিগেশন ব্রাঞ্চ (এস আই বি) গী জোইন্ট দিরেক্টর অমনা টেলিফোন তৌদুনা মণিপুর মীয়ামগী মাঙজিল থাবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লূপ অমদা খঙহল্লক্লে হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভমদা হঞ্জিলহনবগা মরী লৈননা মীফম অসি ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবনি। মসিদা শরুক য়ানবগীদমক থেংলবদা থা অসিগী ২২, শগোলশেন নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা দেল্লীদা থুংলনবা হায়রকখি। অদুগা মীফম অসিদা কুকি-জো ফুরুপকী সী এস ওশিংগী মহুৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## টিদ্দিম লম্বী : কৈশাম্পাৎতগী ক্বাকৈথেল ফাওবগী ফোর লেনগী মনুংদা লেন অনীদি পার্কিং ওন্থোক্লে, খোঙনা চৎপশিং লম্বী ময়ায়দা চৎলে

হেমচান্দ নিংথৌজম



**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা লৈরিবা নেশনল হায়ৱেশিংগী পরিংদা মীওই অমত্তনা মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন পীবা য়াদে হায়বগী ৱাফম লৈরবসু হায়ৱে অসিগী পরিংশিংদা লন্নাই মীওইশিংনা লম্বী অসিগী শরুকশিংবু শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা খক্তা নত্তনা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবগী পার্ক তৌফম ওইনা শীজিন্নরকপশিংগী মনুংদা নেশনল হায়ৱেগী মনুং চল্লিবা টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎতগীনা ক্বাকৈথেল ফাওবদা লৈরিবা হায়ৱে অসি লেন মরি ওইরবসু লেন অনীদি পার্কিং ওন্থোকপগুম্না শীজিন্নরকপদগী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিংনা মেদিয়নগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লেন অনী খক্তবু শীজিন্নরগা খোঙনা চৎপশিংনা লম্বী ময়ায়দা চৎপা হৌনরক্লে।

হায়রিবা হায়ৱেগী লম্বী মতেক অসিগী মনুংদা লৈরিবা মেদিয়নগী মমাঙ অমসুং মনীং থংবা শরুকশিংদা লেন অনীগী অপাকপা য়ৌনা গাড়ী কয়া খামজিন্নরকপগা লোয়ননা ফুট পাথশিংদসু দুকান/হোটেল ফল্লিবশিংনা খোপচিন্দুনা শীজিন্নরকপা য়াওরকপনা অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা ৱাকিং চৎপা য়াওনা কোচিং/ট্যুশন চৎপা অমদি খোঙনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিং লম্বী অসিগী ময়ায়দা চৎপা হৌনরক্লে।

কৈশাম্পাৎতগীনা ক্বাকৈথেল ফাওবগী মনুংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মফম অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা কোইনা চৎতুনা য়েংলুবদা কৈশাম্পাৎতদি ফোর লেনগী লম্বীগী শরুক অসিগী মনুংদা ফুট পাথকা তাইনবা লেন অনীদি মখল কয়াগী গাড়ীশিং খামজিন্দুনা পার্কিং ওইনা শীজিন্নরম্লা থেংনরকখি। লম্বী অসিদা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টসু লৈবগী মথক্তা স্কুল/কোলেজ, শো রূমশিং অমদি লন্নাই অমসুং লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংসু লৈবগী মথক্তা হোস্পিটাল/ক্লিনিকসু য়াম্না লৈবনা মথৌ তাবা মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অদুক্কী মতিক ত্রাফিক জাম থোকহনবা লম্বী অমা হায়বদু ওইরে।

মতম খরগী মমাঙদা পাউচে অসিনা লম্বী পরিং অসিগী কৈশাম্পাৎতগীনা ঘড়ী ফাওবগী মরক্তা লৈবা ফুট পাথশিংদা ওইখিবা ফীভমগী মতাংদা মীয়ামদা রিপোর্ট তৌবদগী ...মখা লমায় ৮ কলম ১

### মোরেগী কোন্দোং লাইরেম্বী আই আর বি পোষ্টতা এটেক তৌদুনা কম্যান্দো পর্সনেল ১ হাৎলগা ২ শোকহনবদা চেন্নবা কুকি টেররিষ্ট ১ এন আই এনা ফারে

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অকনবা লান চথরিঙৈ জন্যুৱারী ১৭, ২০২৪গী অয়ূক পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা মোরেগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী মনাক্তা লৈবা আই আর বিগী পোষ্টতা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা এটেক চথরক্তুনা ৬শুবা এম আরদগী কম্যান্দো দাদা এটেচ তৌবা রাইফলমেন নম্বর ০৬২০২১১০১৫ দল্লিয়ু সোমোরজিৎ লৈখিদ্রগা অতোপ্পা অনীনা শোকহনখিবা এটেকতা চেন্নবা টেররিষ্ট অমা এন আই এনা ফারে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) না ফারবা টেররিষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### সেন্ট এন্থোনিজ হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল সুচিত্রাদা নেশনল এৱার্দ পীরক্লে

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** শিজ ফাউন্দেশনগী য়ুনিট অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী শঙাকফমদা লৈরিবা সেন্ট এন্থোনিজ স্কুলগী প্রিন্সিপাল সুচিত্রা পোৎশংবমদা লেমজনীংঙাই ওইরবা রবিন্দ্রনাঠ



টেগোর নেশনল প্রিন্সিপালস এৱার্দ ২০২৫ পীদুনা ইকায়খুম্নরক্লে হায়রি। এৱার্দ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## পোপি পাম্বী থাবশিংদা দিল্লর খরনা য়ুরিয়া অমদি দি এ পি য়োনবা য়াওরব্রা

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মপান্দা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফেক্টরি/কম্পনিশিংদগী য়ুরিয়া য়াওনা মখল কয়াগী কেমিকেলগী হারশিং চিংলিবা দিল্লরশিংগী মনুংদগী শেন্দোং হেন্না ফংনবগীদমক লৈবাক মীয়ামগী ৱাখল তুংওইনরল্লগা নারোন্দা য়ুরিয়া অমদি দি এ পিনচিংবা হারশিং য়োনবা য়াওরব্রা হায়না মীয়াম্না হংনরক্লে।

ৱাহং অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না হংনরক্লিবদি পোপি পাম্বী থাবা হৌরকপদা য়ুরিয়া শীজিন্নৈ অদুগা পোমশাৎনরকপা মতমদনা দাই-এমোনিয়ম ফোসফেট (দি এ পি) অমুক হাপ্লবদি পোপি পাম্বীনা মপূং মরৈ ফজনা ফাদুনা লোকপা ঙম্মী। অদুবু লোনা য়াদবা পোপি থাবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না শকখঙলবা মপান্দগী হার চিংবা দিল্লর ২০ লৈরিবা অসিগী মনুংদা মীওই অমনা পোপী থারিবা কাঙবুদা নারোন্দা হার অসি সপ্লাই তৌদ্রবদি করম্না পোপি থাবশিংনা হারশিং অসি ফংগদৌরিবনো? মরমদি হার (য়ুরিয়া) অসিদি লৈঙাক্না কন্ত্রোল তৌবা পোৎশক অমনি।

মখা তানা মীয়াম্না, মণিপুর লৈঙাক্না লেপ্পা য়ুরিয়াগী মমল অসি বেগ অমদা লুপা ২৭০নি। অদুবু দিল্লর খরনা নারোন্দা পোপী থাবা কাঙবুদা য়ুরিয়া বেগ অমদা অতাঙবা




মমলদা সপ্লাই তৌই হায়বা তারে হায়না ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা, লৈরিবা দিল্লর ২০ অসিনা হৌজিক ফাওবদা অসামগী নামরূপ্তুগী য়ুরিয়া ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গভর্ণর উখ্রুলদা থুংখ্রে, ঙসিদগী সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল হৌরগনি

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ষ্টেট ফ্লৱরসু ওইরিবা 'সিরুই লিলী' গী মিংদা পাঙথোক্কদবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী মঙাশুবা এদিশন হয়েং অয়ূক পুং ১১.৩০ তারকপদগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা সিরুই ভিলেজগী ভঙ্গায়ানদা লৈবা হেরিটেজ গ্রাউন্দদা হৌদোল্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা তাঙ্খুল নাগালোংগী প্রসিদেন্ট সোর্দ ভাসুম অমসুং তাঙ্খুল নাগা ৱুংনাওলোংগী প্রসিদেন্ট টেনিশন কসুংনা স্পেশল গেষ্ট ওইগনি। গভর্ণরনা থৌরমগা মরী লৈননা ৭৫শুবা এনিভর্সরিগী সোভিনিয়র অমসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেট লেভেল ফ্লৱর শো কম্পিটিশনসু হৌদোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসিগীদমক ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তারকপদা গভর্ণরনা উখ্রুলগীদক রাজ ভবন থাদোকখি। অদুম ওইনমক হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০দগী হৌগদবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসুং অতৈ এন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিংদদি মহাক্না শরুক য়ারমদনা হেলিকোপ্টরদা ইম্ফালদা হল্লক্কনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১




HL-B/9561/20


খা মায়কৈগী 'ইয়ূমনা কৌরে' মিংথোনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

## শীংচেপ থাদবা নুংশিনবা মণিপুর অমনা ঐখোয়বু কৌরক্লে : বিমোল লাঞ্জেনখিবা শুগুনু অমসুং সেরৌগী মীওইশিং হনবীরক্লো : কে রঞ্জিৎ



**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** শুগুনু সেরৌ স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এস এস এস দি সী) না শীন্দুনা মণিপুরগী লাননা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংবু মশাগী ময়ুম ইখোলদা হঞ্জিল্লক্লো হায়বগী পাউজেল পীবা 'ইয়ূমনা কৌরে' হায়না মিংথোনবা অহানবা খা মায়কৈগী ৯ এ সাইদ মেন্স ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা নুংশিনদবগী শীংচেপ থাদবা অনৌবা নুংশিনবা মণিপুর অমনা ঐখোয়বু কৌরক্লে হায়বসি খঙমিন্নরসি হায়না শরুক য়াখিবা পূম্নমক্তা ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না 'ইয়ূমনা কৌরে' হায়না মিংথোনবা খা মায়কৈগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা মীওইশিংবু মশা-মশাগী ময়ূমনা কৌরক্লে হায়বগী পাউজেল পীবদা নত্তনা মপান লৈবাক ইংলেন্দ, অমেরিকা, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং দুবাই য়াওনা ফোরেন কন্ত্রিশিংদা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈখ্রবা মণিপুরবু কাউবগী মওংদা লৈরুরবা মণিপুরী মচাশিংবুসু হন্দক্কী ঈরাং অসিনা মরমদম মণিপুর নুংশিবগী ...মখা লমায় ৮ কলম ৪

### নন-লোকল ২ রেন্সমগীদমক কিদনেপ তৌবগী কেসতা চেন্নবা মীওই ৪ ফারে, নোংমৈ ফংলে

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** দেল্লী অমসুং জয়পুরদগী নেটৱার্কিং বিজিনেস অমগী ট্রেনিং তৌনবগীদমক মণিপুরদা লাকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ফার্ম মপুনা ফার্ম শঙহনবা মীওই কাপ্তুনা হাৎখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা হৈরোক খাঙ্গ্রোকতা হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দগী নিংথৌজম রজনিকান্ত (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মেঞ্জোর কৌবা মীওই অমনা ...মখা লমায় ৮ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ফেক্টরিগী ওফিশলশিংনা পুলিসকা লোয়ননা ৱাথোক ওইরিবা ষ্টোন ক্রশিং য়ুনিটশিং য়েংশিনখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :** এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী কৈথেলমানবীদগীনা মোইদাংপোক খুনৌ ফাওবগী মনুংদা লোনা য়াদবা মওংদা ষ্টোন ক্রশিং সেন্টরশিং চলাইরে অমসুং কোয়লাস লোনফমশিংসু হাংদোক্ল রক্লে হায়রদুনা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট পোল্যুটিং ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রিজ, কৈথেলমানবী এন্দ মোইদাংপোক খুনৌনা মমাঙ থাগী ৯দা লৈঙাক্কী ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিরেক্টোরেটতা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখিবগী মতুংইন্না ঙসি দিরেক্টোরেট অসিগী চীফ ইন্সপেক্টর ওফ ফেক্টরিজগী মায়কৈদগী জেনরেল মেনেজর অহৈবম লোকেননা পাৎশোই পি এসকী ওফিশলশিংগা লোয়ননা লাক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা চলাইরিবা ষ্টোন ক্রশিং য়ুনিটশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ষ্টোন ক্রশিং য়ুনিটশিং অসিবু চলাইরিবা মপু তরেৎকী মথক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জুদিশল মেজিষ্ট্রেটনা ক্রিমিনেল (সী) কেস নম্বর ৪৬ ওফ ২০২১ লৌখৎতুনা ৱায়েল চথরবা মতুং মে ২৪, ২০২২দা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ষ্টোন ক্রশিং য়ুনিটশিং চলাইরম্বগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫